# নাটোগা রসিয়ন ফোর্সশিংগা হকথেংননা খুৎ থোক্নরবদি মালেমদা কাটাষ্ট্রোফি অমা থোক্লক্কনি: পুটিন



মোস্কো, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সী): রসিয়াগা নাটোগী ট্রুপশিংগা হকথেংননা খুৎ থোক্নরকপা তারবদি মালেমদা কাটাষ্ট্রোফি অমা থোক্লক্কনি হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

পুটিননা ৱাফম অসি কাজখষ্টানদা পাঙথোকপা সম্মিট অমা লোইরকপদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মোস্কোনা কিভ অমসুং য়ুক্রেনগী অতৈ সিটিশিংদা শাথিরবা মিসাইল এটেকশিং চথখিবনি। মদু রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবদগী খ্বাইদগী শাথিবা মিসাইল এটেকনি হায়না লৌনরি।

ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা পুটিননা হায়খি, মদুদি নাটোগী ট্রুপশিংদা রসিয়ন আর্মিগা হকথেংননা খুৎ থোক্নরকপা হায়বসি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমা শোয়দনা ওইগনি। মদুনা মালেমদা কাটাষ্ট্রোফি অমা লাকহনগনি।

অসিগুম্বা ৱাফমদা থাজরিবশিংনা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা থাংলক্লোই হায়না ঐহাক্লা থাজে। রসিয়ন লিদর অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভ অমদি লৈবাক অসিগী অতৈ সিটিশিংদা চথখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদু ক্রিমিয়াগী থোংদা এটেক তৌখিবগী লমন খুম্বনি। হৌজিক মখা তানা এটেক চথবগী মথৌ তাদে।

ঐখোয়গী পান্দমদি য়ুক্রেনবু মাঙহন তাকহনবা নত্ত্রগা পুমথু থুগায়বা অসি নত্তে হায়নসু পুটিননা ফোঙদোকখি। খনগৎলবা টার্গেট অয়াম্বা হিট তৌখ্রবা ওইবনা হৌজিক পাক্তক্লনা ষ্ট্রাইক চথবগী মথৌ তাদ্রে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

রসিয়ন প্রসিদেন্ট অসিনা মোস্কোগী হৌজিক লৈরিবা ফিভমগী মতাংদসু পল্লদুনা মখোয়না হৌজিক তৌফম থোকপা খুদিংমক তৌরি হায়খি। হৌখিবা চয়োল খরগী মতমদা রসিয়ন ফোর্সশিং কিভকী ফোর্সশিংগী মায়োক্তা ইকায়নিংঙাই ওইবা মওংদা পরিং নাইনা মায়থীবা কয়া নঙখ্রে। হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইদে। তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা রসিয়ানা হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা এটেক তৌরমদবা ওইরবসু ঐখোয় মান্নবা ফিভমদা লৈরমগনি। মসিদা ঐখোয়না ওবজার্ব তৌরিবদি ঐখোয়গী ওইনদি লান অসি তৌরমদ্রবদি ফিভম হেন্না লুশিল্লমগনি। মরম অদুনা ঐখোয়না তৌরিবশিং অসি তৌফম থোকপশিংনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

মমাঙদা হৌখিবা থাদা রসিয়াগী লমদম মরি লৌশিল্লবা মতুংদা রসিয়াগী লম দিফেন্দ তৌনবগীদমক ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শীজিন্নরক্কনি হায়না পুটিননা ৱার্নিং তৌখিবনি। মহাক্কী ৱাফম অদুবু য়ুএননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।

পুটিননা মোবিলাইজেসনগী মতাংদা পনখি অমসুং মহাক্লা রসিয়ন রিজাবিষ্টশিং কৌখৎলিবদু শুপ্নগী চয়োল অনীগী মতমদগী পংহেন হেল্লোই হায়খি অমদি মখা তানা নম্ফুদা লান্মীদা চঙহন্নবগী থৌরাং লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ক্রেমলিনগী ফিরেপ নৌহৌননা পল্লদুনা পুটিননা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা ৱারী শান্নবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং য়ুক্রেননা ৱারী শান্ননবগীদমক্তা শেম শাবা তারবদি মদু মালেম্না ৱাতেল্লগা চথবনা হেন্না ফগনি।

প্রসিদেন্ট পুটিননা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্ত্রিঙৈ শুপ্নগী পুং খরগী মমাঙদা সাউর্দন খের্সোন রিজনগী প্রো-ক্রেমলিন ওফিসলশিংনা লমদম অদুগী মীয়ামদা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎননবা খঙহনখি। কিভনা য়ুক্রেনিয়ন লান্মীশিং চঙশিনখ্রে হায়না লাউথোরকখিবগা লোয়ননা লমদম অদুগী ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা খঙহনখিবনি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনগী লমশিং থাদোরকপগী খ্বাইদগী চাওবা খুদম চাংদমশিংগী মনুংদা অমা ওইনা ক্রেমলিননা খনখিবা লমদম অদুগী গভর্ণরনা মীয়ামদা রসিয়ন রিজনশিং থাদোক্লবা খঙহনখিবনি।

# ‘ইন্দিয়াদা ট্রিংকো ওইল টেঙ্কশিং পীরম্লবদি শ্রী লঙ্কাদা ইনর্জি ক্রাইসিস থোক্লম্লোই’



কলম্বো, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সী): ইনর্জি দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিংদা ইন্দিয়াগা থবক তৌমিন্নবগী তঙাই ফদবা পল্লদুনা শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা হায়খ্রে, মদুদি শ্রী লঙ্কাগী নোংপোক থংবা পোর্ট সিটি ট্রিংকো মালিদা লৈরিবা ওইল টেঙ্কশিং কুমজা ২০০৩ গী এগ্রিমেন্ট অমগী মখাদা য়ুমথংনরিবা লৈবাক ইন্দিয়াদা শীন্নরম্বা থোক্লবদি ঈথৎ লৈবাক অসিনা প্রসিদেন্ট অমা ফাওবা তাম্হোকখিবা পোলিটিকেল কাটাষ্ট্রোফি অমা লাকহনখিবা শাথিরবা ইনর্জি ক্রাইসিস মায়োক্নরক্লোই।

ট্রিংকো মালি দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট প্লান্টকী মতাংদা অখন্নবা দিস্কসন অমদা শরুক য়ারদুনা ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা হায়খি, মদুদি ইষ্টর্ন পোর্ট সিটি ট্রিংকো মালিবু ইনর্জি হব অমা ওইহন্নবগীদমক্তা শ্রী লঙ্কানা রিন্যুয়েবল ইনর্জি প্রোজেক্টশিংদা ইন্দিয়াগা খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নরি।

ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ওইল টেঙ্কশিং ইন্দিয়াদা পীবগী মায়োক্তা কুমজা ২০০৩ গী ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা ওবজেক্সনশিং থাংগৎতুনা লাকখি। করিগুম্বা ট্রিংকো মালি ওইল টেঙ্ক ফার্ম অদু ইন্দিয়াদা পীরম্বা থোক্লবদি ঐখোয় ফ্যুএলগী অৱাৎপা লৈরম্লোই। ঐখোয় ক্যুদা লেপ্পা নত্ত্রগা রাইওটননচিংবা চথবা অমত্তা থোক্লম্লোই। অসিগুম্বা প্রোব্লেমশিং লাক্লিবসি ফ্যুএল ফঙলক্তবদগীনি। মতমদুদা ঐখোয়না ইন্দিয়াদা ওইল টেঙ্ক ফার্ম অদু পীরম্লবদি ঙসি ঐখোয়না মায়োক্নরিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরম্লোই।

হন্দক্তা শ্রী লঙ্কাদা থোকখিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিসতা লৈবাক অসিগী মমাঙগী গভর্ণমেন্টবু চিংথুখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সাবু নমদুনা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেলহনখিবগী মতাংদা পল্লদুনা ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ট্রিংকো মালি ওইল টেঙ্কশিং ইন্দিয়াদা শিন্নবগী ৱাফম লাকপদা থাঙ্গৎলকপদা ওবজেক্সনশিং নীংশিংলদুনা প্রসিদেন্ট ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা হায়খি, মদুদি ওইল টেঙ্কশিং ইন্দিয়াদা শিন্নবগী ৱারেপ অদুবু মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগী ইঙ্গিৎ ফঙবা তারবদি ঈথৎ লৈবাক অসিনা মায়োক্নরকখিবা শাথিরবা ফ্যুএল ক্রাইসিস অদু থোক্লম্লোই।

কুমজা ২০০৩ দা মতমদুগী পিএম ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা ট্রিংকো মালি ওইল টেঙ্ক ফার্মদা লৈরিবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী চাওরবা ওইল টেঙ্ক ৯৯ চহীদা দোল্লর ১০০,০০০ পীবদা য়ানবা চহী ৩৫ গী ওইবা লিজ অমদা ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ওভরসিস ভেঞ্চর অমা ওইরিবা লঙ্কা ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসনদা শিন্নথোক্লবা হোৎনখিবনি।

# কোভিদ কেস ৱাংখৎলকপদগী চেকশিন থৌরাং কনখৎনবা খঙহনখ্রে

বর্লিন, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সী): জমর্নিদা কোভিদকী অনৌবা কেস মশিং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী হেল্‌ঠ মিনিষ্টরনা ষ্টেট ১৬ তা লায়না লাইচৎ অসিগী মায়োক্তা হেন্না কনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগী ৱাফম খন্ননবা খঙহনখ্রে।

হেল্‌ঠ মিনিষ্টর কার্ল লোটের-বার্কনা হায়খি, মদুদি মহাক্লা ইনদোরদা মাস্ক শীজিন্নবগী ৱাফম অসি শৌগৎলি। তৌইগুম্বসুং পব্লিক ট্রান্সপোর্ট, মেদিকেল ফেসিলিটিশিং অমসুং ক্যের হোমশিং নত্তনা জমর্নিদা চেকশিন থৌরাং অসি ইনবা উদ্রে। ঐখোয়না চৎলিবা মায়োন অসি অফবা ওইদে হায়না বর্লিনদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা লোটেরবার্কনা ফোঙদোকখি।

মখা তানা মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি জমর্নিগী ষ্টেটশিংনা হৌজিক লিমিটেদ রেষ্ট্রিক্সনশিং থম্লগা মতুং তাবদা হেন্না কনবা রেষ্ট্রিক্সনশিং থম্বনা ফগনি। য়াম্না থুনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপনা ঐখোয় পুম্নমক্কী অফবা ওইগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা পুং ২৪ গী মতমদা জমর্নিদা কনফার্ম তৌবা কোভিদকী অনৌবা কেস ১৪,০০০ থেংনখি অমসুং লায়না অসিনা মরম ওইদুনা হায়রিবা মতম অসিদা মীওই ১৬৫ শিখি। বাবেরিয়া ষ্টেটতা হন্দক্তা ওক্তোবর ফেষ্টকা মরী লৈননা কোভিদকী কেসশিং হেনগৎলকখিবনি। ফেষ্টিবেল অদুগা মরী লৈননা মহৌশাগুম ভিজিটর লিশিং চা কয়া বাবেরিয়াদা লাক্লখি।

হেল্‌ঠ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি ম্যুনিক্তা পাঙথোক্লিবা ব্যের ফেষ্টিবেল অদুদা কোরোনা ভাইরস শন্দোকপা লাকশিনবা য়াবা থৌরাং কয়া পায়খৎলম্বা য়াই। অদুগুম্বা থৌরাংশিং অদুদা ভিজিটরশিংবু ওন-সাইট টেষ্টিং শোয়দনা তৌহনবা অসি ওইবা য়াই।

হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিত্তা য়ুরো মিলিয়ন ৩৩ (য়ুএস দোল্লর মিলিয়ন ৩২) রোমগী অনৌবা এদভর্টাইজিং কেম্পেইন অমা কোভিদ ১৯ না শোকহল্লবা মীওইশিংগী কেস ষ্টদি ৮২ শীজিন্নদুনা হৌদোকখি। মদু মীয়াম্বু ভেক্সিন কাপ্পবা পুক্নিং থৌগৎপা ওইননি।

# পাকিষ্টান অসি খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি: বাইদেন



ৱাশিংতন, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা পাকিষ্টানবু য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী ফিভম লৈতনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং থম্লিবা মালেমগী খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। য়ুএস প্রসিদেন্টনা ৱাফম অসি লোস এঞ্জেলিসতা পাঙথোকপা দিমোক্রেটিক কংগ্রেস্নেল কেম্পেইন কম্মিটিগী রিসেপ্সন অমদা ফোঙদোকখিবনি।

রিসেপ্সন অদুদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না চাইনা অমসুং রসিয়া অনীমকপু চৈ থাংখি। পাকিষ্টানগী মতাংদা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি বাইদেননা চাইনা অমসুং ব্লাদিমির পুটিনগী রসিয়াগা মরী লৈনবা য়ুএসকী ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা ঙাঙলকপা মতমদা ফোঙ-দোকখিবনি।

প্রসিদেন্ট বাইদেননা পাকিষ্টান অসি মালেমগী খ্বাইদগী খুদোং-থীনিংঙাই ওইবা লৈবাক্লি হায়না মহাক্লা লৌই হায়রদুনা ৱারোইশিন পীখি। চাইনিজ লিদর সি জিনপিংগী মতাংদা পল্লদুনা বাইদেননা হায়খি, মদুদি চাইনিজ লিদর অসিনা মহাক্কী অপাম্বশিং খঙজে। তৌইগুম্বসুং মহাক অচৌবা প্রোব্লেম কয়াসু মায়োক্নরি।

মরম অদুনা ঐখোয়না চাইনাদা মহাক্লা করি করি প্রোব্লেমশিং মায়োক্নরিবগে হায়বদু য়েংলগা চাইনাগী ৱাফম অসি হেন্দল তৌবা চঙই। রসিয়াগী মতাংদসু মদু মঙাই। রসিয়ন লিদর পুটিননা লৈবাক অদুদা করি করি প্রোব্লেমশিং মায়োক্নরিবগে হায়বদু য়েংলগা ঐখোয়না রসিয়ন এফিয়র্স হেন্দল তৌবা চঙই। মতাং অসিদা ঐহাক্লা মালেমদা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌরিবদি পাকিষ্টান অসিনি।

লৈবাক অসি য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী ফিভম অমত্তা উদনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং থম্লিবা লৈবাক্লি। প্রসিদেন্ট বাইদেনগী ৱাফম অসি য়ুএসকা মরী ফগৎহনবা পাম্লিবা সেহবাজ সারিফকী গভর্ণমেন্টগী ওইনদি নিংবা কায়নিংঙাইনি হায়রি।

প্রেস কনফরেন্স অদুদা বাইদেননা মখা তানা হায়খি, মদুদি ২১ শুবা চহীচাগী অনীশুবা ক্বার্টরদা য়ুএসকী থবক থৌশিলদা অহোংবা চাওনা লাকহন্নবগী খুদোংচাবা কয়া লৈ। য়ুএস নেসনেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজি রিলিজ তৌখিবা মতুং নুমিৎ নীনি কান্নরগা বাইদেননা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

লমায় ৪৮ গী দোক্যুমেন্ট অদুদা মওং অমত্তদা পাকিষ্টানবু পনখিদে। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না কংগ্রেসনা অয়াবা পীরবা মরু ওইবা পোলিসি দোক্যুমেন্ট রিলিজ তৌখি। দোক্যুমেন্ট অদুদা চাইনা অমসুং রসিয়া লৈবাক অনীনা য়ুএসতা পীরিবা গ্রেট ময়েক শেংনা পনখি। নেসনেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজি অদুনা হায়রিবদি চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা লিমিট লৈতবা পার্টনরশিপ লাউথোকখিবা চাইনা অমসুং রসিয়া অমগা অমগা হেন্না নকশিন্ননা মীচং ওইরকপগা লোয়ননা মখোয়না য়ুএসতা অচৌবা চেলেঞ্জ কয়া মায়োক্নহল্লক্লি।

# পোংচৈগী মমল হেনগৎলকপদগী হাইটিদা মীয়ামগী ইরাং কনখৎলক্লে



জিনিভা, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সী): চিঞ্জাক অমসুং ফ্যুএলগী মমল হেনগৎলকপদগী হাইটিদা মীয়ামগী ইরাং কনখৎলক্লি হায়না ৱার্ল্ড ফুদ প্রোগ্রাম (দব্লিয়ু এফ পি) অমসুং য়ুএনগী অতৈ এজেন্সিশিংনা ৱার্নিং তৌরি।

দব্লিয়ু এফ পিগী হাইটিদা লৈবা কন্ট্রি দিরেক্তর জান-মার্টিন ব্রোৱরনা ভিদিও লিঙ্ককী খুথাংদা প্রেস ব্রিফিং অমদা হায়খি, মদুদি লৈবাক অসিনা হৌজিক ফুদ ইন সেক্যুরিটিগা মরী লৈননা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইদবা ফিভম কয়া মায়োক্নরক্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসিনা মমৈথংদা লৈবাক অসিদা হ্যুমেনিটরিয়ন কাটাষ্ট্রোফি অমা ফাওবা লাকহনবা য়াই।

ওফিসল অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি হাইটিদা হৌজিক লৈরিবা ইনফ্লেসনগী চাং চাদা ৩০ অসি চহী ২০ গী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা চাংনি। মরু ওইনা ফুদ ইনফ্লেসন অসি খ্বাইদগী হেন্না ফত্তে। হৌখিবা ওগষ্টতা লৈবাক অসিগী ফুদ বাস্কেটকী মমল মমাঙগী চহীগী মান্নবা মতম অদুদা লৈখিবদগী চাদা ৬৩ হেল্লবনি।

ইরাই নুমিত্তা ইস্যু তৌখিবা ইন্টিগ্রেটেদ ফুদ সেক্যুরিটি ফেজ ক্লাসিফিকেসন (আইপিসি) রিপোর্ট পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, মদুদি হাইটিগী ফুদ ইন সেক্যুরিটিগী ফিভম অদু লেপ্তুনা শোকচিল্লক্লি।

রিপোর্ট অদু পল্লদুনা মহাক্লা হায়, হাইটিগী মীওই মিলিয়ন ৪.৭ হৌজিক ফুদ ইন সেক্যুরিটিগী অরুবা ফিভম অমা মায়োক্নরি। মসি থা তরুক্কী মমাঙদা লৈখিবা মী মশিংদগী ২০০,০০০ হেনগৎলক্লবনি। য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলদ্রেনস ফন্দগী জেমস এলদরনা প্রেস ব্রিফিং অমদা হায়খি, মদুদি চহী মঙাগী মখাগী অঙাং ১০০,০০০ লোম হৌজিক চিঞ্জাক মরাং কায়না চাবা ফঙদবগী নত্ত্রগা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা ফঙদবগী প্রোব্লেম মায়োক্নরি।

ইরাই নুমিৎকী ব্রিফিং অদুদা দব্লিয়ু ঐচ ওগী স্পোক্স পার্সন মার্গরেট হেরিসনা হাইটিগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌ঠকী দেটা পল্লদুনা হায়, লৈবাক অদুদা কোলেরা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা কেস ৩৫৭ থেংনবগী মনুংদা কেস ৩৫ কনফার্ম তৌরে অমসুং লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ২১ শিখ্রে।

# টর্কিগী কোল মাইনদা পোকখায়রকপদগী মীওই ৪০ শিরে, ১১ শোক্লে

অঙ্করা, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সী): টর্কিগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা কোল মাইন অমদা পোকখায়রকপদগী মীওই ৪০ শিখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে। ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সোলেমান সোলূনা ফোঙদোকখিবদা পোকখায়বগী থৌদোক অদুগী মতুংদা মাইনর ৫৮ রেস্ক্যু তৌরে। মীওই ১১ অশোক অপন নঙলম্বগা লোয়ননা মাইনর অমদি থীবা ফঙদ্রি।

ইরাই নুমিত্তা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা মাইন অদুদা মীওই ১১০ রোম লৈখি। মাইনর তঙ্খায় অমদি মিটর ৩০০ হেন্না লুবা মফমদা থবক তৌদুনা লৈখিবনি। ইমর্জেন্সি ক্রুশিং অহিং চুপ্পা লৈনুংদা তৌদুনা হিংহৌবা মীওইশিং কন্নবা হোৎনখি।

ভিদিও ফুটেজতা ব্লেক সী কোষ্টকী অমস্রাদা লৈবা ফেসিলিটি অদুদা মাইনরশিংবু রেস্ক্যুৱরশিংনা অরুবা কোম মনুংদগী পুথোরকপগী শক্তম উবা ফঙখি। থীবা খঙখিদ্রবা মাইনরশিংগী ইমুং অমদি মরুপ মপাংশিং মাইন অদুদা লৈদুনা পাউ ঙাইবা উখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সোইলুনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি অশিবশিং মশিং থীবদা পুন্না ৪০ শুরে। মাইনর ৫৮ রেস্ক্যু তৌখি। মখোয় মশানা মপানদা থোকচরকখিবনি নত্ত্রগা রেস্ক্যুৱরশিংনা মতেং পাঙদুনা থোক্লকখিবনি।

মাইন অদু লৈরিবা বার্টিন প্রোভিন্স তম্না চৎলিবা প্রসিদেন্ট রেসেপ তায়িব ইর্দোগাননা ত্বিটর পোষ্টকী খুথাংদা থৌদোক অদুগী মতাংদা জুদিসল ওথোরিটিশিংনা থিজিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবা করম্না থোক্লকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রিবা ব্লাষ্ট অদুগী মতাংদা লোকেল প্রোজিক্যুটরগী ওফিসনা থিজিনবা হৌখ্রবনি। ব্লাষ্ট অদু মাইন অদুগী মিটর ৩০০ রোম লুবা মফমদা থোকখিবনি হায়বা থাজনরি।

থৌদোক অদু থোরকখিবা মতমদা মীওই ৪৯ মিটর ৩০০ অমসুং ৩৫০ গী মরক্তা লৈবা লৈনুংগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা জোনদা থবক তৌদুনা লৈখি হায়না সোইলুনা ফোঙদোকখি।

ইনর্জি মিনিষ্টর ফাতি দোনমেষ্টনা ফোঙদোকখিবদা কোল মাইনশিংদা মিথেন গ্যাসনা এক্সপ্লোসিব মিকচর শেম্বগী ফিভম ওইরিবা ফায়রদামনা মরম ওইদুনা ব্লাষ্ট অদু থোকখিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ খরা অহানবদা ফঙখি। মাইন অদুগী মনুংগী মফম খরা নিংখায়রকখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক মনুংদা মৈ চাকপনচিংবদি লৈত্রে। ভেন্টিলেসন নীংথিনা মথৌ তৌরি হায়না মিনিষ্টর অসিনা মখা তাখি।

# ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি লান্মীশিংগা কাপ্পবদা পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অমা শিরে



রামালা, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্ককী সিটি রামালাদা ইজরেল্লি লান্মীশিংগা নোংমৈ কাপ্পবদা পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অমা শিখ্রে হায়না পলেষ্টিনিয়ন অমসুং ইজরেল্লি ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, থৌদোক অদু ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবনি। পলেষ্টিনিয়ন মেদিয়া অমসুং উহৌবশিংনা ফোঙদোকখিবদা ওক্যুপাইদ সিটি অদুগী অল-জলাজেন ভিলেজ মনাক্তা পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অদু ইজরেল্লি লান্মীশিংনা হাৎখিবনি।

মহাক্লা রামালাগী অৱাংদা লৈবা বাইট এল সেটলমেন্টগা নক্লনা নোংমৈ কাপ্পদা ইজরেল্লি সেটলমেন্ট অমা শোকপদগী ইজরেল্লি লান্মীশিংনা খুৎ হন্দুনা মঙোন্দসু নোংমৈ কাপখিবনি।

ইজরেল্লি মেদিয়ানা ইজরেল্লি আর্মি পল্লদুনা হায়রি, মদুদি ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অমনা সেটলমেন্ট তম্না নোংমৈ কাপশিনখিবদা ইজরেল্লি সিটিজন অমা শোকখি। ইজরেল্লি লান্মীশিংনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগা লোয়ননা মীওই অদু পান্দুনা শিখি। মীওই অদুগী মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু আর্মিনা ফোঙদোরকখি।

ইরাই নুমিত্তা পলেষ্টিনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা ইজরেল্লি আর্মি ফোর্সনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাং থংবা জেনিন সিটিদা চথখিবা রেইদতা ডাক্তর অমা য়াওনা পলেষ্টিনিয়ন অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ তরুক্লা অশোক অপন নঙখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ইরাই নুমিত্তা পলেষ্টিনিয়ন দেমোন্সট্রেটর কয়া অমদি ইজরেল্লি লান্মীশিংগা ৱেষ্ট বেঙ্ককী নেবলস সিটিগা নক্লবা ভিলেজশিংদা খুৎ থোক্লখিবদা পলেষ্টিনিয়ন ৬৬ অশোক অপন নঙখি হায়না পলেষ্টিনিয়ন রেদ ক্রেসেন্ট সোসাইটিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারদুনা অশোকপশিং অদুগী মনুংদা রব্বর বুলেটনা পানবা মরি অমসুং লাইফ এম্যুনেসন্না পানবা অনী য়াওই হায়না পনবগা লোয়ননা অতৈ অশোকপশিং অদু ইজরেল্লি লান্মীশিংনা কাপখিবা টিয়র গ্যাস হোঞ্জিনবদা শ্বর ফুন্দুনা শোকখিবনি হায়খি।

# সাইপ্রসনা এসিয়া অমসুং য়ুরোপকী ইলেক্ট্রিসিটি লিঙ্ক শেমগৎপা হৌরে

নিকোসিয়া, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সী): সাইপ্রসতা অখন্নবা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা এসিয়া অমসুং য়ুরোপকী মরক্তা ইলেক্ট্রিসিটি লিঙ্ক অমা শেমগৎ শাগৎপগী থবক হৌদোকখ্রে।

কেপিটেল নিকোসিয়াদা পাঙ-থোকখিবা য়ুরো বিলিয়ন ২.৫ (দোল্লর ২.৪) গী প্রোজেক্ট অদু হৌদোকপগা মরী লৈনবা ইভেন্ট অদুদা য়ুরোপিয়ন কম্মিস্নর ফোর ইনর্জি কাদ্রি সিমসন অমসুং সাইপ্রসকী প্রসিদেন্ট নিকোস অনাষ্টাসিয়া দেসনা শরুক য়াখি। য়ুরো এসিয়া ইন্টর কন্নেক্টর অদুনা ইজরেল, সাইপ্রস অমসুং গ্রিসকী ইলেক্ট্রিসিটি গ্রিদশিং শম্নহনগনি অমসুং মদুনা ইজরেলগী রিন্যুএবল ছোর্সশিংদগী য়ুরোপতা ইলেক্ট্রিসিটিসু ট্রান্সফর তৌগনি হায়না এজেন্সিনা হায়রি।

অহানবা ফেজগী কন্সট্রক্সনদা য়ুরো বিলিয়ন ১.৫৭ চঙগনি হায়না পারিবা প্রোজেক্ট অদুগীদমক্তা কন্নেক্টিং য়ুরোপ ফেসিলিটি (সি ই এফ) কী মখাদা য়ুরো মিলিয়ন ৬৫৭ গী ইয়ু গ্রান্দ রিলিজ তৌরে। মসিদা নত্তনা ইয়ুগী রিকোভরি এন্দ রিজিলেন্স ফেসিলিটিদগী য়ুরো মিলিয়ন ১০০ গী গ্রান্দ অমসু পীরে হায়না ইরাই নুমিত্তা য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না প্রোজেক্ট অদু কুমজা ২০২৬ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিনগদবনি। মতুং তাবদা সাইপ্রস ফাওরগা ইজিপ্ট অমসুং য়ুরোপকী মরক্তা অনীশুবা ইন্টর কন্নেক্টর অমা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাংসু লৈ হায়রি।

য়ুরো এসিয়া ইন্টর কন্নেক্টর প্রোজেক্ট অদুগী মনুং চন্না মেগাৱাট ২০০০ গী কেপাসিটি ওইবা সমুদ্র মনুংদা কিমি ১২০০ রোম শাংবা কেবল ইজরেলদগী সাইপ্রস ফাওবা অমসুং গ্রীক ঈথৎ ক্রেক য়ৌনা ফুম্বা য়াওরি।

# সাউথ য়েমেনদা বোম পোকখায়বদা প্রো-গভর্ণমেন্ট লান্মী অনী শিরে, মঙা শোক্লে

অদেন, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সী): হৌখিবা ইরাইদা য়েমেনগী ইরাং কনবা খা থংবা প্রোভিন্স অভিয়ানদা লম্বী অমদি নাকলদা বোম পোকখায়রকপদগী প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সেসকী লান্মী অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ মঙা অশোক অপন নঙখ্রে হায়না মিলিটরি ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোরক্লি।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা লোকেল মিলিটরি ছোর্স অদুনা হায়খি, মদুদি অভিয়ান প্রোভিন্সকী অল-মাফিদ দিষ্ট্রিক্টকী লম্বী অমদা প্রো-গভর্ণমেন্ট আর্মি পর্সনেলশিং পুদুনা চৎলিবা মিলিটরি পিক-অপ ট্রক অমদা বোম অমা পোকখায়হল্লকখি।

থৌদোক অদু প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং অল-কাইদাগী গনমেনশিংগী মরক্তা তোইনা খুৎ থোক্নরিবা মফম অমদা থোকখিবনি। বোমগী এটেক অদুগী মতুং পুং খরগী মনুংদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোল্লিসনন্না শৌগৎপা সাউর্দন প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী অহেনবা ট্রুপশিং থুংলখি।

হৌজিক ফাওবদা এটেক অদু ট্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। মমাঙদা অসিগুম্বা এটেকশিং অসি য়েমেনদা লৈরিবা অল-কাইদাগী ব্রাঞ্চনা পাঙথোকপনি হায়না য়েমেনি মিলিটরি অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা তোইনা মরাল শীবা লৈখ্রবনি। হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা খুৎ থোক্নরবা মতুংদা য়েমেনি গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা ফোর্সশিংনা অল-কাইদা টেররিষ্ট গ্রুপকী মিলিটেন্ট কয়া অভিয়ানদগী তকথোকখি।

য়েমেনদা লৈরিবা অল-কাইদা নেটৱার্কনা য়েমেনি গভর্ণমেন্ট অমসুং হৌথি রেবেলশিংগী মরক্তা চথরক্লিবা কনফ্লিক্ট অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা লানগী চৈথেং নঙলবা আরব লৈবাক অদুদা মখোয়গী খোঙফম চেৎশিলহন্নবা হোৎনরক্লিবনি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-SALAM**

**Ref. Mut. Case No. 134/SDC/IW(P) of 2022**

Shri Naorem Damodar Singh, S/o Naorem Ibomcha Singh of Wahengbam Leikai -Petitioner/ Petitioners

-Vrs-

Late Shri Naorem Ibotombi Singh, S/o Naorem Ibomcha Singh of Khwai Wahengbam Leikai -O.P. Party/Parties

**NOTICE**

12/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ:ও: পাৎসোই তাহশিলগী খুল নম্বর 79-Longakoireng গী পাট্টা নম্বর 51 (New) দাগ নম্বর 244 গী পোইন্ট 1.03999 একর চাওবা ফৌরেল লৌউফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৯/১০/২০২২ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Salam

HL-P/4376/16

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-SALAM**

**Ref. Mut. Case No. 133/SDC/IW(P) of 2022**

Shri Naorem Pratap Singh, S/o Naorem Shyamsunder Singh of Wahengbam Leikai Sagolband Road
2) Subhasini Naorem, W/o Naorem Pratap Singh of Wahengbam Leikai Sagolband Road. -Petitioner/ Petitioners

-Vrs-

Late Shri Naorem Ibotombi Singh, S/o Naorem Ibomcha Singh of Khwai Wahengbam Leikai -O.P. Party/Parties

**NOTICE**

12/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ:ও: পাৎসোই তাহশিলগী খুল নম্বর 78-Ngairangbam গী পাট্টা নম্বর 385 (New) দাগ নম্বর 2042, 2031 গী পোইন্ট .63 acre+1.94 acre = 2.57 acre একর চাওবা ফৌরেল লৌউফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৯/১০/২০২২ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Salam

HL-P/4376/16